# অথৌবা, অকনবা অমসুং অথোৎপা শক্তিশিং

‘পৱার’ হায়বসি ইংরাজি ৱাহৈ অমনি। ঐখোয়গী লোন’দা ৱাহন্থোক পীবা তারবা, পাঙ্গল হায়বা তাবনি। অদুবু ‘পাঙ্গল’ হায়বসিনা ‘পৱার’ গী মপূম ফারবা, চপ চাবা ৱাহন্থোক নত্তে। ‘পাঙ্গল’ হায়বসিগী অতোপ্পা ইংরাজি ৱাহৈ - ‘স্ত্রেংথ’ হায়বা অমসু লৈ। হকচাংগী ওইবা মপাঙ্গল ‘ফিজিকল স্ত্রেংথ’ হায়বসিনা, পৱারগী মহুৎ শিনবা য়াবা ৱাহৈ অমদি ওইদে। অনীসিগী শীজিন্নফম তোঙাল্লি। ‘পৱার’ হায়বসিগী মমাঙদা ‘ইলেক্ট্রিক’ হায়বা ৱাহৈসিমা নপখ্রগনা পূমতোং তোঙানবা ৱাহন্থোক অমনি, ঐখোয়গী ইরোলসিদা ‘মৈ’ হায়না ইরায় লায়না শীজিন্নবা। হিন্দিদনা ‘বিজলি’! হান্না লৈরমদবা, কোন্না থোক্লকপা ৱাহৈ ওইবনা ‘মৈ’ হায়না মীয়াম হুপ্লা খঙনরকই। ‘ফায়র’ নৎত্রগা ‘আগ’ হায়বা ইংরাজি/হিন্দি ৱাহৈ অমমম লৈরম্লিবসি পৱার/বিজলিগী মহুৎ ওইনা শীজিন্নবা য়াবা ৱাহৈ নত্তে। মরম অসিনা, ‘শক্তি’ হায়বা সংস্কৃট ৱাহৈ অসি ইরোনসিদা, অয়াম্বা মীনা খঙনবা, ‘পৱার’ হায়বা ইংরাজি ৱাহৈ অসিগী ৱাহন্থোক ওইনা খঙনরকই।

ৱারেংসিগী ৱাহৌ ওইনা ইজরিবা ৱাহৈ খরসি, ঐগী ইমালোন অসিগী অৱাৎপা অশোনবা, অতোপ্পা লোলগা চাংদম্নদুনা ফোঙদোক্নবা হোৎনবা নৎচদে। ঐগী লোন, ইরোলসিনা ফোঙদোকপা-ইংলিস নৎত্রগা হিন্দিনা ফোঙদোকপদা কৈদৌঙৈদা, মপূম ফানা ফোঙ’ঙল্লোইদবা ৱাহৈসু লৈ মশীং খঙদনা। লায়রবী ইরোল নত্তে হায়বা প্রমান তৌনবা ৱাহৈ/ৱাহৈ পরেং কয়ানি। লোন নৈনবা ৱারেং নত্তবনা শুগায়না অদুমক ইজরোই। ইংরাজি ৱাহৈ ‘পৱার’ হায়বসিগী শীজিন্নফম অমদি মান্নদবা ৱাহন্থোক অহুমখক মীয়ামদা তমজনীংলুবনি। মীরোল অসি তোয়না শীজিন্নজরুবসিগীদমক্তি ঙাকপীগনি অপাবশিং।

ঙসি ঐনা অপাবশিংগী পূক্লিং চিংশিনগে খঞ্জরুরিবা, ইংরাজি ৱাহৈ পরেং হায়বসিগী মখল অহুমখক্কী মরমদনি - ‘সার্প পৱার’ (ময়া থৌবা শক্তি), ‘সোফট পৱার’ (অথোৎপা শক্তি) অমসুং ‘হার্দ পৱার’ (অকনবা শক্তি)। ৱাহৈ ৱাপা অহুমসি কনাগুম্বা অমনা, মাগী ৱারী/লাইরিক অমদা শীজিন্ননবা শেমজিনখিবদগী হেক্তা ওইরকখিবা নত্তে। মালেমসিবু থক-থক নীকহনখিবা, অকি-তুজং পোকহনখিবা থৌদোকশিং অমদি থৌদোকশিংদুবু থোকহনখিবা শক্তিশিং অদু নৈনবদা শেম্লকখিবা ৱাহৈশিংনি। দিক্সন্যারিদা থিবীরুনু, তায়োন্ননা ফংগনি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ওফ অমেরিকাগী ‘ৱাখল-ঈপাক’ (থিঙ্ক-টেঙ্ক) নি হায়নবা, ‘নেসনল এন্দামেন্ট ফোর দেমোক্রেসি’গীদমক থবক তৌবা মীওই অনী (ক্রিস্তোফর ৱাল্কর অমসুং জেসিকা লুদৱিগ) না শেমগৎলমখিবা ৱাহৈ ৱাপা অমনি - ‘সার্প পৱার’। সার্প ওই, থৌই হায়রিবসি করম্বা মখলগী পৱারনো? হংবীনীংগনি অদোমসু, হংনরিবনি পূম্নমক্না। রসিয়া অমদি চিনাগুম্বা লৈবাকশিং-‘পূমসুপ সুপ্পা শক্তি’ পায়বা, ওথোরিটরিয়ন ওইবা লৈঙাকশিংনা ‘পাউ’ বু লানগী পাম্বৈ অমগুম্না শীজিন্নবা (ইনফোর্মেসন ৱারফ্যর) - লাল্লোং মখল অমনি। পাউগী লীখুন ওইবা য়াবা - সোসল মীদিয়া য়াওনা, মীদিয়া হাউজ পূম্নমক লৈঙাক্কী কন্ত্রোল মখাদা থমজিল্লগা লৈঙাক্না থাদোকপা পাউ অদুতমক মালেমগী অতৈ লৈপাকশিংদা শন্দোকপা, পাউদুদা য়ূম্ফম ওইরগা লৈপাক্তুগী তোঙনাবা শক্তম অমা অতাবশিংগী পূক্লিং-ৱাখলদা শাগৎহনবা (চাইনিজ কলচরেল রিভোল্যুসনগী মতমদা পোলিটিকল ওথোরিটিনা মায় পাক্না শীজিন্নখিবা পাম্বৈ) ... অদুগুম্বা ৱাখলদুনা য়েক্নবা লৈপাকশিংগী পোলিটিকল অমদি ইনফোর্মেসন এনভাইরনমেন্ট’তা হায়ফম খঙদবা শক্তম অমা শাগৎহনবা ঙম্বা, অদুগুম্বা মখলগী শক্তি অদুবু ‘সার্প পৱার’ হায়না খঙনরকখি অমেরিকাদা। অসুম্না, চিনা অমসুং রসিয়া অনীনা মরমদমগী অশেংবা পাউ লোৎশিন্দুনা থম্লগা নীংথিনা শেম শারবা পাউদুতমক মীরৈবাক্তা অমসুং মরমদমগী মীয়ামদা য়ৌহনবগী থৌশিল, লোন্না থুপ্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগী থৌশিল অদুবুসু ‘সার্প পৱার’ হায়বা ৱাহৈসিগী চাইগোয়নুংদা কোনশিল্লকখি। হৌজিক হৌজিকমক ইন্দিয়াদা ফোঙ ফোঙ শাবা পাউ অমা ওইনা লৌনরিবা ‘ইন্দো-নাগা-পিছ-টোক’ অসিগী চহী তরেৎকী মমাঙদা লানহৌলূপ অসিগা ইন্দিয়া-গভর্ণমেন্টকী ইন্টরলোক্যুটরগা অনীগী মরক্তা সাইন তৌনখিবা ‘ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট’ অদুগী ময়েক শেংবা পাউ লৈবাক মীয়ামদা য়ৌহন্দ্রিবা অসিমক, সার্প পৱার শীজিন্নবগী থৌওং অমনি। সার্প-পৱার শীজিন্নববু লৈবাক্কী থৌশিল অমা ওইনা চত্থরিবা লমশিংদদি লৈঙাক্কী সোর্সতগী থোকখিবা পাউ নত্তবা, নেগেটিভ ইনফোর্মেসন শন্দোকপা-অকনবা মওংদা অথিংবা থম্মী। পাউ থাদোক-থাজিন তৌরিবা এজেন্সীশিংদা করিগুম্বা মখলগী নীংতম্বা অমত্তা পীদে।

‘সার্প পৱার’ হায়বা ৱাহৈসি মালেম শীন্না, পাক্না-শন্না শীজিন্নবা হৌরক্লবা মতুংদা ‘জোসেফ নিই জুনিয়র’ কৌবা অমেরিকান (পোলিটিকল সাইন্টিষ্ট) অমনা ‘সোফ্ট পৱার’ হায়বা ৱাহৈ-ৱাপা অমগা অমুক পুথোক্লকখি। সোফ্ট পৱার হায়বসিনা পুমতোপ তোপ্পা ৱাহৈনি। পোলিটিকল টর্মিনোলোজি অমা নত্তে। লমদম অমগী চৎনবী, নাৎ, কলচর অমদি পূন্সি মহিং অদুবু হেন্না ৱাংবা থাক অমদা পুখৎনবগী পান্দম ওইবা পাউজেল, পাক্না শন্না শন্দোক্তুনা অতাবশিংবু ঙাওবমখৈ পূক্লিং চিংশিনবা ঙম্বগী থবক থৌওং অদুবু ‘জোসেফ’না ‘সোফ্ট পৱার’ হায়না মিংথোনখি। থায়নদগী চৎনরকপা ধর্ম্ম শন্দোকপা/রিলিজিয়স প্রিচিংগী থৌওং অমদি অনৌবা মতম অসিগী ‘ফিনান্সিঅল ফ্রিদম ফংহনগনি/ইকোনেমি ফগাৎহনগনি’ হায়দুনা পর্সোনেল-নেটৱর্ক পাকথোকহন্নবা হোৎনরিবা দাইরেক-সেল্লিং-এজেন্সীশিং-সোফ্ট পৱারগী মনুং চনবা থৌওংশিংনি। ৱাহৈসিগী ওন্ন-তৈনবা ‘হার্দ পৱার’ হায়বসিনা - নস্ফু হাফু শীজিন্নবা, শেল নৎত্রগা মমল য়াম্বা খুদোলপোৎ পীব’নচিংবা তৌদুনা মীচঙ খোম্বা, মাগী মী ওইহন্নবা হোৎনবগী থৌওং অদুবুনি। জোসেফ নিই’ন হায়... ‘কনাগুম্বা তৌবা ঙম্বা অকনবা, খূৎলায় পায়বা অমনা অচেঙবা তাঞ্জা য়েংলগা, অদোমগী কোক্তা নোংমৈ চীন্দোন্দা থম্লগা মহাক্না পাম্বা, অদোম্না পামদবা থবক অমা তৌদ’ য়াদে হায়বা, অদোম, পূন্সিদুগীদমক খম্লগা পামদা পামদা থবক অদু তৌগনি, লাল্লব্রা... খুদক্তুদা অদোম্না থবক্তু তৌনীংবা নৎত্রগা তৌনীংদবা, খন্ননীংঙাই ওইদে - মদুবু কৌই হার্দ পৱার ... অদুগা অতোপ্পা কনাগুম্বা অমনা, অদোমগী অনীংবা/অপাম্বদু ফংননবা হোৎনবদা মতেং ওইনবা ‘শেলগী মতেংসু পীরগে নচাবুসু লেম্না মহৈ তমহল্লগে’ হায়রক্লবা, অদোম শোয়দনা মহাক্কী মী ওইখিনি, মহাক্কী অপাম্বা থবক্তু অদোমগীসু অপাম্বা ওইরক্কনি... অদুগুম্বা শক্তিদুনি ‘সোফ্ট পৱার’...।

‘সোফ্ট পৱার’ - কনাগুম্বা অমগী নৎত্রগা মীওই কাঙলূপ অমগী পূক্লিং লাঙ্গোয় চন্ননবা খ্বাইদগী ইফেক্টিভ ওইবা, মতিক চাবা খূৎলায়নি। অদুবু, হার্দ পৱার-সোফ্ট পৱার অনীমক পূনশিন্নখ্রবা - খুদোংথীনিংঙাই মশক্নি।

সোফ্ট-পৱারগী মতিক-ময়াই শৈথারদুনা ‘জোসেফ’না হায়... ‘ওসামা বিন লাদেন’না মাগী ‘অল-কইদা লাম্নী তেঙ্গোল শেমগৎপদা শীজিন্নখিবা শক্তি হার্দ পৱার অমদি সোফ্ট পৱার অনীম্ককী অপূনবা শক্তি অদুনি। ৱর্ল্ড ত্রেদ সেন্টরগী বিল্ডিং অনীদু থুগায়বদা শীজিন্নখিবা এরোপ্লেনগী হাইজেক্করশিংদু বিন লাদেন’না কিহন খংহন তৌখিদে, মহাক্কী তুংইনবা টালিবানশিংনা ঙসি মালেমগী মফম কয়াদা চত্থরিবা ইস্লামাতাইজেসনগী থবকশিং, মখোয়না থাজজবা তাইবঙ-মপু (অল্লাহ) গী লাম্নী ওইদুনা মহাক্কী মনাক য়ৌননবা লম্বীদুদা চৎলিবনি থাজহল্লগনি। থৌওংদুদা ওসামা মায় পাকখি। চহী কুন চূপ্পা অমেরিকানশিংনা ভিএটনামদা লাম্থেংনখিবদা মায় পাকখিদবা অদুগুম ‘নাইন-ইলেভেন’ হায়না খঙনখিবা, ৱর্ল্ড ত্রেদ সেন্টর থুগায়খিবা থৌদোক্তুগী মতুংদা অমেরিকান ফোর্সনা অফঘানিষ্টান’দা লান্দাখিবা, ওসামা-লাদেন হাৎখিবনচিংবা মায় পাকপই থৌওংনচিংবা কয়া লৈখ্রবসু, কাইনথংদা অফঘানিষ্টান্দগী অমেরিকান গ্রুপ লৌথোকখি। মিদল-ইষ্ট হায়না খঙনবা গল্ফ-কন্ত্রিশিংদা ঙসিসু ইস্লমিক ষ্টেট শেমগৎপগী মঙলান্দা শোক্নরিবা লান... ইন্দিয়ন বোর্দর ৱাংমদগী লানশিল্লক্তুনা কাশ্মীর’বু ইন্দিয়াদগী শেত্তোকহন্নবা হোৎনরক্লিবা মিলিটেন্টশিংগী ঈরাং জোসেফনা মশক তাক্লম্বা ‘সোফ্ট পৱার-হার্দ-পৱার’ অনীগী কম্বাইন্দ-এটেক ঙাক্তনি।

কনাগুম্বা সোসল এন্দ পোলিটিকল ক্রিটিক খরনা, ইন্দিয়াগী শেমগৎলকপা ওর্গনাইজেসন অমনি হায়বসু য়াওই। লৈবাকসিদা অমসুং য়ূমলোন্নবা লৈবাকশিংদা থোক্লিবা থৌদোক-ৱাথোকশিং-মীৎয়েং অসিদা অমুক্তং পানশিন্দুনা য়েংলুসি- তোপ তোপ্পা শক্তম অমা উরক্কনি শোয়দনা। ●

-ইন্দ্রকুমার

# শাথৌলূপকী চহী ২০ ফারকপগী ‘খোরিরোল খোঙচৎ’ কছার অমসুং ত্রিপুরা (২৩)

পোৎ চৈ লোইশিল্লে, ফিরোল শেৎলে, ঐগী স্বিইট কেস অইনবীদু চিংলগা থোরক্লে, অতৈসু মথং-মথং সহীদ ভগৎ সিংহ য়ুথ হোষ্টেলগী মেসকী কান্টিন লোমদা। নুংশিরবা ইয়ূম য়ৌরনি খল্লুবগীদি নুংঙাইবা ফাওই অদুবু নুমিৎ খরনিদি ত্রিপুরা কৌবী লম্মুংশিসিদা খোঙদারম্বা ওইরুবনা। নুংশিবী ত্রিপুরা থাদোক্ননি খল্লুবদসু পূক্লিংদা নুংশিবা অমদি ফাওরকই। অতৈ খোঙলোইশিংসু তপ্না-তপ্না থোক্নরকই। য়াতোন উনা নোক্নবা কয়াসু মেঙনা-ঈংনা মোমোনতমক নোকপা উই। মখোয়সু ঐগুম্না লমদমসিবু নুংশিবা ফাওরমগদবা মাল্লি। পূম্নমক্কী মায়থোঙদা তারিবা মমিদুদা পঞ্জবনি। করিগীদি নুংশিরোই।

হন্দক্কী খোঙচৎসিদা ঐগী নুংঙাইবা অমা হায়য়ু হায়রগদি চৎমিন্নরিবা খোঙচৎলোই পূম্বা মশা-মশাগী ঈজৎ ঙাক্না, ৱাখল খনবা ঙম্বা, অমনা অমবু থৌগল্লোন মশক খঙনবা ওইনখিবসিনি। অহেনবা চীঞ্জাক চাবা য়াওনখিদে, চীঞ্জাক তিন্নৈ, ঐঙোন্দা থম্বীখিবা থৌগল্লোনদুদা পঞ্জবনি। অহানবদা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ত্রিপুরাগী প্রসিদেন্ট ওজা লাঙ্গোলজম বিরমঙ্গোল লাপ্তুক্না উরে। ওন্থোক্না নুংশিখ্রে ওজাসিনা ঐখোয়বু করিদা শোয়খিগদগে হায়না শেন্নবীবা অসিনি ওজাবু ঐনা কাউবা ঙমদ্রিবা। অতৈ পরিষদকী মেম্বরশিংসু থেংনরে, ওজা সেলৈবম খেলামোহন, মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ত্রিপুরাগী ভাইস প্রসিদেন্ট কোন্সম অতুল, পরিষদ অসিগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরি নোংথোম্বম রঘুনন্দ, পরিষদ অসিগী ত্রেজরর এল মিনা, কে ঐচ সাইব্যা, কে এস ঐচ মাধবি, নিঙোম্বম প্রানোয় অমসুং ঐজ্ঞা বিপ্লব শর্ম্মসু মথং-মথং লোইনা উন্নররে।

খঙহৌদে হৌখিবা মতমদো। অয়ূক্কী ব্রেকফাষ্টতু চাক ওইনা চারে। হাওবা-হাওতবা থিনদনা অদুবু ঐদি পঙহাওদা হাওই। হেভি ব্রেকফাষ্ট হায়বা তারে চাক ওইনা মথেল য়ামদ্রসু হৱাই অমা কংমেৎ অমা অতোপ্পা মথেল অমগা চম্না চারে। অহানবদদি হোষ্টেলগী কান্টিন মেনেজরদুনা ঙল্লোই হায়রম্বনি অদুবু মাসু ঐখোয়গী খল্লগা য়াবীরকপনি। থাগৎচরি ইবুংঙো মেনেজর, চাক-ঈশিং চারবা তুংদা মপান্দা ত্রিপুরাগী ওজাশিংদুগা ৱারী-ৱাতাই শাদুনা পুকমেন-পাউমেন্নে। অমগা-অমগা ফোটো নম্মীনৈ। ঐনা ওজা বিরমঙ্গোলদা করিগুম্বা খুদোল অমদি পীনীংবনি অদুবু পাম্বৈ লৈখিদে। ঐনা য়াম্না চম্না ওজা ঐসে হুইয়েন লানপাউদা ৱারী মচা খরা-খরা ইজৈ তম্লুবদা ওজানা মুন্না তাবী। খোরিরোল খোঙচৎ অসি হৌবা নোংমাইজিং নুমিৎ মার্চ ২৪দা হুইয়েন লানপাউদা ফোঙবা ঐগী ৱারীমচা ‘পৈশাগী মোন’ অদু নীংথিজনা পারক্তে অদুনা নুমিৎতুগী হুইয়েন লানপাউ চেফোঙদো অদুম পুরক্লে। ঐনা ইজবা ৱারীমচা য়াওবা হুইয়েন লানপাউদু ওজা হোরেন পাবীয়ু হায়দুনা ওজাদা পীরম্বদা ওজানা হরাও-হরাও লৌহৌবদুনি ঐনা পেঞ্জরিবা। শোয়দনা পীবিরমগনি খল্লি ওজানা। মতাং অসিদা ঐনা পঞ্জনীংবদি মালেমদা অতাঙবা মীওই অমা ওইখিবা মাদর টেরেসানা অকনবা মওংদা হকচাং ঙমদনা লৈরে হায়বগী পাউ তানবদা মালেম পূম্বগী ওইনা নুংঙাইতবা পাউ ওইখিদো। মতমদুদা ঐনা মাদর টেরেসা মশামক্তা, মাদরগী




(১) ওজা এল বিরমঙ্গোলদা অইবনা হুইয়েন লানপাউ কোপি অমা পীবা।
(২) অইবনা অগরটালা এয়রপোর্ট মনুংদা। (৩) প্লেন মনুংদা উইবা
(৪) খোঙচৎলোইশিংনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংবা।

অনাবদু অথুবদা তাইবঙ শেম্বা মপূগীথৌজালদগী ফহনবীরো হায়না শেম্বীবা মপুদা খুরুমজবা চিঠি অমগা মাদর টেরেসাগী অয়েকপা portrait মচা অমগা পোষ্টতা থাখিবদা মাদর টেরেসানা পাউখুম করি ওইনা পীরক্কে হায়বদা ‘ঐগী মফমদদি অপিকপা-অচৌবগী খেন্নবা লৈতে, নঙনা ঐবু নুংশিবীদুনা পীরকপা অপীকপা খুদোল অসি ঐগীদি মমল নাইদে’ অসুম্না ঐনা ওজা বিরমঙ্গোলদা খুদোল ওইনা পীরম্বা হুইয়েন লানপাউ পাউচেদো ওজানা পাবিরম্লদি নুংঙাইজগনি, পাবিরমগনি খঞ্জে। পরিষদনা শিনবীদুনা হায়নখিবা ওটোরিক্সোশিং মনম-মনম থুংলরে, পোৎ চৈ হাপচিন্নরে। ঐনা তোংবা ওটোদুদা খোঙবু ওইনা ঐজ্ঞা বিশমভোর শর্ম্ম অমসুং খ্বাইরাকপম বুদ্ধ পূন্না তোংমিন্নরে। ঐখোয়বু কায়নরমদাইদা থিন্দোকপা লাকপা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ত্রিপুরাগী মেম্বরশিংদুগা নুংশিনা খূৎ শোক্নরে। ঐখোয়সু মখোয়গা নুংশিনা খূৎ হাইর-হাইরদুনা ঐখোয়বু য়েংদুনা লৈহৌবদো মীৎতা শং-শং উরি। অসিনিনে নুংশি মরী হায়বসে।

সহীদ ভগৎ সিংহ য়ুথ হোষ্টেলদগী অয়ূক পুং ১১.৩৭তা এয়রপোর্ট তম্না খোঙশাল্লে। হোষ্টেলদুদগী এয়রপোর্ট ফাওবসি কিলোমিটর ৭ মুক লাপ্পী। এয়রপোর্টতা অয়ূক পুং ১১.৫৭তা য়ৌরে। অগরটালা এয়রপোর্ট য়েংবদা তরু-তনানবা এয়রপোর্টনি। লৈকোল ফজনা শেম্মী, লৈকোলদুগী মরক্তা মহারাজ বির বিক্রমগী মীতম অমসু খিল্লি। এয়রপোর্ট ফাওবা থিন্দোরকপা পরিষদকী নহারোল খরসু য়াওবনি। নুমিৎয়ুংবা পুং ১২.২০দা ঐখোয় চ্যেক ইন চঙলে। মিনট খরদি থেংথখি পুং ১২.৫০দা পাইগদবদু। এয়রপোর্ট মনুংদা ইথা থাজদনা হুইয়েন লানপাউগী এদিটর ওজা মাইবম ধনবির মীতৈসু থেংনৈ, মহাক্কী মচা-মমৌশিংগা। ওজাসু ত্রিপুরাদা লুহোংবা অমা য়াওবা লাকপনি হায়না তম্মী। অগরটালা এয়রপোর্ট অসি নীংথিনা দিজাইন তৌই। এয়রপোর্টকী interior শিংদো। নুংথিল পুং ১.০৪দা ঐখোয়না তোংগদবা ইন্দিগো প্লেনদুদা বোর্দিং পাস পায়রগা চঙলে। ঐগী ফম্ফম সিটতুদা ফল্লে অদুবু ঐদি থোঙনাও ময়াদা ফম্মু হোরেন লম-তু য়েংলগা হয়েং ইবদা কান্ননি হায়না ওজা সরতচান্দনা হায়রকই। নুংথিল পুং ১.৩৬তা অগরটালাগী মহারাজ বির বিক্রম এয়রপোর্টতগী পাইখৎলে। নুমিৎতু অতিয়াসি ফুৱাওনৈ, ময়েক ইশেং শেংদে। হেক পাইখৎপগা অদুম উইরে ওজা সরতচান্দ, তোংব্রম অমরজিৎ অমসুং ঐ পূন্না রো অমদা তোংবনি। ঐখোয়না তোংলিঙৈদা উইবদো থৌনাওজম ব্রোজেন্দ্রোনা মাগী মোবাইলদুনা ফোটো কাপ্লম্মী। তশেংবদি ঐদি লৈচিলনা লশিং মফোল মান্না মতুম-মতুম পাইবদু য়েংনীংবনি অদুবু নুমিৎতুদি মপূং ফাবদি ওইখিদে। অদুবু মণিপুর ইমাগী লুতোনথক্তা পাইরকপদদি কয়াদি নুংশিরে। ইমাগী শেংলবা মায়থোঙদা পাক্না শন্না হৌরিবা অশংবা উপাল কয়ানা পাল্লবা চীংশাং কয়াবু পুমশং শংহন্দুনা, শোন্নরম্বনি ইমাবু পুকচেল তপ্পী অফবা মচা পোকপীনি অদুবু ওইরব্রনে ঙসিদি নবুকথোক্কী নচা শেংদবা কয়ানা ইমাগী অশংবা শল্লাংদা মীনুংশি য়াওদনা শমজাবীনা চাবগুম মতৎ-মতৎ মরূ কোকথোকপীরবা চীংমাই কয়া উরুবদা অসিদগী ওইরকপনিকো ঙসিগী থোক্লিবা লান। লানদি লোইখিবা য়াই অদুবু করম্না পুক্তপ্পী ইমাবু করম্বা মতমদা হান্নগুম মোমোন মীনোক তমহনগদগে! অসুম্না ৱাখল খন্না পাইরকপদা খঙহৌদনা ইম্ফাল এয়রপোর্ট য়ৌরে লাউথোরক্লে। ইম্ফাল এয়রপোর্টকী এরাইভেলশিংগী থোকফম গেটতুদগী থোরকপদা ইচানুপীনা লেপ্তুনা ঙাইদুনা ওকপীরম্বদু উরে। ঐখোয় পুল্লপ গ্রুপ ফোটো অমা ইচানুপী বুশিলানা নম্বী। ঐজ্ঞা বিশমভোর, রিতা, রোমোলাসু লমদাং তিন্নবনিনা পূন্না ইয়ূম মায়কৈ পাংলক্লে। অসুম্না শাথৌলূপকী চহী ২০ ফারকপগী কছার অমসুং ত্রিপুরাগী খোরিরোল খোঙচৎ অশোয় অঙাম য়াওদনা নুংশিরবা ইমা মণিপুরগী তম্পাকথক্তা অমুক থুংলরে!

-আর কে বুধিমন্ত কর্টা

# ‘অদুঙৈগী থাবল্লে’ - (২)

## (মীতৈগী এস্থেটিক ঙাক্না চৎলিবা বাইওগ্রাফিকেল নোভেল অমা)

নোভেল অসি লুচিংবা অদুগী পূন্সিনা মপূংনি। অইবনা মাগী লমচৎতা অমকপা অমত্তা লৈতনবা কন্না হোৎনবগী মমি তারি। অইবনা হেন্না হায়জিল্লুবদা, হেন্না য়েকশিল্লুবদা লৈবাক্না য়ারোই হায়বসি মহাকসু খঙনা ইরি। অদুনা থোইবীগী লমচৎ শেম্বদা লুচিংবা অসিগী মগুণ হাপকৎনবা অদুমক ইরি। মখোয়নীগী ৱারী য়ামদে, অদুবু ওক্লে, খরদং হাপ্পসিনা ফজবা হেল্লে। অসিদগী হেন্নসু লুচিংবদুনা কৈসু তৌরল্লোই হায়নীংঙি। অদুবু অইবনা মুন্না খল্লগা থৌবালদা শেল থিনবা চৎপদা চান্নথোইবগা নুংশিথোইবীগা চৎহনবা অসিদি পেল্লে হায়নীংঙি। মরম চাহল্লি, প্লোট শেম্বদা Causative effect লৈবা হায়বদু ওইহল্লি। অমরোমদনা চান্নবা চান্নবী অনীগীদি মপোক অসিগী থুংনবা হায়বদু শকখ্রে। অইবনা ফজনা হল্লকপগী তাঙ্কক্তা থোইবীবু শগোল থৌহল্লি, চান্নথোইবনা তুংদা ফমহল্লি। কয়াদা পেনখ্রবা। চেঙহী মনম নম্না মথবাক্তা ঙাথরক্তুনা কয়াদা পেঞ্জখ্রবা, নুংশিথোইবীনা নুংঙাইমন্দুনা উইথরকপা মরম চাবা মতাংনি। অপাবা খুদিং শ্বর তঙ্খায় হোন্নবা অইবনা শীনবনি।

নুমিৎ অদুনা লোইরে, মখোয়নীগী নুংঙাইবা, অপেনবা। অদুগী মতুংদি চান্নথোইবসু লৈবাক্কী মথৌদা মতম শংখিদ্রে। নুংশিথোইবীসু অনাবা অমনা মপান থোকখিদ্রে। থাবল্লে মখোঙদা অমুক হন্না উনখিদ্রে। কয়াদা লুখ্রবা তাঞ্জানো। অদুবু থোইবীগী মতম্না তেনশিল্লক্লবদা চান্নথোইববু কৌহল্লবা, চান্নথোইবনা ফৈজোম তনশেৎ শেত্তুনা চেনখিবা, ওন্থোক্না নুংশিবা মতাংনি। অদুগী মথক্তা থোইবীনা লৈরল্লিবা ফীভম উবদা, মশাগী মরমগীদমক মপি তাখ্ররোই খনখ্রবা চান্নথোইবা মমিৎ ঈরা চেনখিবনি। ফমুংদগী থোইবীবু কোনখৎনীংখি। অদুবু মমা লৈরম্বনা য়াখিদ্রে। অদুবু থোইবীনা শোল্লবা খোঞ্জেলনা মাগী থৱায়নি খঞ্জরিবা চান্নথোইবদা চঙশিল্লকউ হায়বদগী ফমুংদা ফল্লবদা থোইবী পেঞ্জবা ঙমখৈ লৈখিদ্রে। মতাংদুদি নুংশিৎ নুংশা লেপ্পমগনি।

চান্নথোইবগী খূৎশা মশীং থিবা, মানা চান্নথোইবগী য়ূম শাবদা পাংজনবা ফি শাবগী মমলনা খরা খরা তূংশিঞ্জবা শেল ময়োম শিন্নবা মতাং য়ৌরকপদদি অপাবা অমত্তসু অরোনবা পি তাদবা লৈরোই। অদুনা লোইদ্রি, অরোইবা পাউমেন তাবদা মখোল থোক্না কপকনি মী পূম্নমক। নুংশিথোইবীনা মশাবীগী খূৎ পায়দুনা হায়জৈ- “তা-দা, ঐ-নঙগী-নতেং-য়াম-না পাং-নীংই। ঙমগদবা -মান-দ-রে।” কয়াদা নুংশিখ্রবা মৱাহৈনো। অদুনা লোইদ্রি। অমুকসু মানা তূংশিঞ্জবা পৈশা ময়ামদু চান্নথোইবদা পীরগা অমুক হায় - “তাদ-ঐনা-চ-হি-৫ রোম-সি-তুংশিন্দু-না থম-জবা - পৈ-শা-নি। ইমা-লৈবা-ক্কী শী-জিন্ন-বিয়ু কো-ল-ৎ-ন-দনা।” কয়াদা ৱাংখ্রবা থম্মোয়নো। মাসু চান্নথোইবগী মতুংইন্না লৈবাক্কী হোৎনগে খনখিবদু ঙমদ্রবদা, মশাবীগী য়ূম শানবা খল্লম্বদু লৈবাক্কী ওইনা অমুক কৎলক্লে। মদুদা চান্নথোইবনা মিৎকুপ্তুদা করি তৌনি খঙখিদ্রে। পৈশাদু পাক লৌবসু ঙমখিদে। অদুবু মাগী চান্নবীগী ফিভমদুদা লৌদসু ঙমদ্রদুনা, তপ্না মুরাদগী কুমথরগা ফম্মাংদুদা খুকউ লৈতানা কূন্দুনা মহাক্কী ফুরিৎ মচি অমনা ফিগাউ শানা লৌরে। খাঙবা ঙমদ্রদুনা মচীন থোকখ্রে- “নুংশিথোইরবী, পুকফবী, পুকচেল চাউবী নঙগী অশেংবা হুমাংমলসে ইমা লৈবাক্কী খূৎয়াখাদা কৎলগেকো।” মতাং অসিদা নোভেল অসিগী ক্লাইমেক্স হায়বদু য়ৌরে। অদুদগীদি মশাগী অতাবী কূমথরক্কদবদা ঙাইরে। মিৎকুপ অদু নুংশিথোইবীগীনা কংলবা চিনবান্দা মোমোন মীনোক্লি, চান্নথোইবগী মিৎলুনা ইঙাগী থানি। অরোনবা নোংজুনি। কয়াদা থম্মোয় কায়বা তাঞ্জানো।

চান্নথোইবা অঙাওবগুমখ্রে। ময়ূম মায়কৈ পাংখিদ্রে, মখোয় অনী বারুনী কামিন্নখিবা নোংমাইজিং চীংখোঙ পাঙখ্রে। মখোয়নী হেক অহানবা উনবা নুমিত্তুদগী চহী ৫ রোমদুগী ৱারীদু নৌহৌনা নীংশিংদুনা খোঙনা পুবা মায়কৈদা চৎখ্রে। নোংমা চান্নথোইবনা মাবু য়োকপীরিবা অহল অদুগী পাখোন অমা চৎপনি ফৈজোম শেৎতুনা, পূময়াৎ লীৎতুনা। ফুরিৎখাও অদুদনা রুমান হাপ্লি, মীঙোন্দা পীরুনবা পৈশা ময়োমদু য়াওরি। অদুবু মীগী য়ূম ফাওরগা লৈরক অমা তাবদদি রুমানদু লৌথোকপদা পৈশা ময়োমদু তাহৌবনি। মাদি খঙদ্রবনি। অদুবু লম্বীদা লৈরম্বা থোইবীনা খুনবীরগা তান্নরক্লগা পীবনি। মদুদা চান্নথোইবনা থোইবীগী পুকচেল শেংবদু উবদা নুংশিখ্রবনি। অদুদগী সুম উনবসু লেপত্রে, থাবল্লে মখোঙদা লোন্না-লোন্না, চেকপল মরুমদা, অহল-লমন খঙহন্দনা। অদুদগীদি কাং শান্নমিন্নরে, বারুনী কামিন্নরে। নুংশিনবগী খম থেংবা মতাং য়ৌরবনি। থুংনরগা লৈবাক্কী পূন্না থৌগল তৌসি তেমশিংনখ্রবনি। অদুবু লাইনা তম্বনা অমা ওইরল্লে।

অইবনা খঙই, মতাং অসিদা লোইবদা পেল্লোই। অদুনা ইরি চান্নথোইবনা য়ূম য়ৌরগা হিপ্পা য়াখিদে, কুইনা তূম্বা য়াদ্রবদা নোংঙাল্লমদাইদা মঙ অমনা শুল্লখি।

মঙদুনি চান্নথোইবগী পূন্সিদা অওইবগুম শিবা ফাওবা লাইনীং ওইখ্রিবা। অশি লৈবাক্তা মাবু ঙাইরিবগুম খল্লিবা থোইবীনা। মঙদুদা ৱাইথৌপাত্তা থরো চাখিবদু অমুক উহল্লে। থোইবীনা হি হোল্লে। হিদগী শগোল থৌরে। চান্নথোইববু পুনীংবা মায়কৈদা পুখ্রে। থৱায় অনীগী পন্থুং অইবনা পীরল্লে। অদুনা ৱারী মপূং ফাবা হেল্লে।

নোংঙানবদা চান্নথোইবা অমুক চেল্লুই। থোইবীগী ফিভম য়েংলুনবা। অদুগদি কোন্থোং য়ৌবদা খঙলে, মাগী থোইবী, মানা নুংশিথোইবী কৌজবদু তাইবঙ ৱাংমা লান্না চৎখ্রে।

মদুফাওবনি নোভেল অসিনা লীরিবা ৱারী। মতুংদি অপাবশিংনা খলহৌরো হায়না শীন্নরল্লে। চহী ৫০ রোম শুরবা চান্নথোইবসু মাগী থোঙনাও তপ্না লোনশিনখ্রে, থাবল্লে লৈনমসু নোংঙাল্লবদদি অমুক মাঙখ্রে। নীংশিংবগী লমায় খুমজিনখ্রে। মদুগী মতাংদু অইবনা পেন্না ইরি - “অদুঙৈগী শকখঙনবা লৈনমদুসু থাবলগা ঈরোইননা হনখ্রে, নোংঙাল্লকপদা তপ্না তপ্না।” অইবগী কলমসু লেপ্লে।

ফজখ্রে হায়বা নত্তনা ৱাহৈ অমা লৈত্রে। অসুক চাং চানা শেম্বা বাইওগ্রাফিকেল নোভেলদি লমদম অসিদা পাদ্রি। মসিনা অহানবনি খল্লি। ঔটোবাইওগ্রাফিকেল নোভেলদি ঐখোয়গী লমসিদসু পাবা ফংনরে। ক্ষেত্রি বীরগী ‘ফিরেপ’, ‘পাউখুম’ অদুগুম্বা মখলনি। ঔটোবাইওগ্রাফিকেল নোভেল ইবদগীদি বাইওগ্রাফিকেল নোভেল ইবনা লুবা হেল্লি হায়নীংঙি। খজিক্তং মৈরৌ হেঞ্জিল্লুবদা নোভেলদু তরাম্না ওক্লোই। অদুক লুবা কলাদু তামো উমানন্দনা ওন্থোক্না খূৎলোয়না শীজিন্নরকখ্রে। অদুসু ৱাংখ্রবা লুচিংবা অমগী পূন্সি ৱারীদা শেম্বা খূৎশেম্নি। শিত্র লৈত্রে।

মতাং অসিদা ৱাফম অমদি হায়নীংঙি। লাইরিকসিদা হাপ্লিবা তাঙ্কক কয়াসি, থৌদোক কয়াসি অইবা মশাগী এক্সপরিএন্স হাপচিন্দনা ওইথোক্লোই। অইবা মশাগী ফেক্টতু ফিক্সন ওনবা নত্তনা অসুক ফজনা কল্পনা শাগৎপা ৱাগনি। অদুনা অইবনা হৈনা শিংনা মীগী শরেং থোংবদা হঙ্গাম মপুল অমদি লংশিল্লমগনি খল্লে। নোভেল ইবা অফাওবা D.H. Lawrence না শেংনা হায়রম্লবনি - "An artist sheds his sickness in his books, repeats and presents them to master them."

অদুনা ফেক্টকা ফিক্সনগা তোৎলগা শেম্লকপা নোভেল অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্নরোই। ঙসি ফাওবদা লৈরিবা মণিপুরী নোভেল ময়ামসিদগী হন্দক্কী তামো উমানন্দগী নোভেল অসিনা অদুম তোঙান্না তাদুনা লৈহৌরনি। তোর্ব্বান অমা ওইনা।

লোইশিল্লকপদা নীংবা থুংদবা খরদি অদুম লৈরি, চান্নথোইবগী মথৌ ময়াম হাপচিন্নবা হোৎনবদা মোইরাং, থাঙ্গ, শলাং চীং কোয়বা, অদুগা মদুদা থেংনহল্লিবা সব-প্লোট ময়াম অদু খূৎশেম মানমনবা খরা উরি। অপাবশিংনা পাবদা লমায় কান্নীংগনি। অদুগা লুচিংবা অসিগী মমিং লোৎনবা হোৎনবদা ‘চান্নথোইবা’ কৌবসি নুংশিথোইবী মখোয় অনীদগী মিঙ্গৌ ওইহন্নীংঙি। হনুবী অমনসু চান্নথোইবা কৌবদা পক্তবা লাকই। অতোপ্পা অমগা মমিং শেল্লম্লবদি হায়না খনবা মতাং লাকই। বারুনী কাবগী মতাংদসু থৌবালদা শেল থিনবা অদুম্না খরগা হেন্না মচু তাহল্লম্লবদি খল্লকই। পূম্নমক অসি ওইদুনসু তামো উমানন্দগী ‘অদুঙৈগী থাবল্লে’ য়াম্না ফজরে, মৈতৈগী মতমদুগী, চপ চাবা শক্তম য়েকপদা অমদি Ethos ঙাকপদা। অইববু থাগৎচরি।

- সলাম তোম্বা

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯৮

১) “**লমুক্নরবী চনুরা**” হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবগে? করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

২) ‘THE TIMEBOMB AND OTHER POEMS’ হায়রিবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৩) “**শমজিরৈ অমগীদমক**”হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্নো?

৪) ‘**থম্মোয়না লৈ ওল্লকঙৈ**’ হায়রিবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো? অইবগী মিং করি কৌবগে?

৫) “**খোংজোম পর্ব্ব অমসুং মণিপুরী সংস্কৃতি**” হায়বা লাইরিক অসিগী অইবগী মিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।